# রাজনাথ সিংহ ঙসি কাশ্মীরদা চৎকদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩(এজেন্সী):

যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হয়েং জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চৎতুনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম য়েংশিল্লুগদৌরি। খোঙচৎ অদুদা হোম সেক্রেটরি রজিব মেহরিসিসু শরুক য়াগনি হায়না ওফিসল সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুলাই ৮ দা হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবা বুরহান ৱানি লৈখিদ্রবা মতুংদা থংনবা নুমিৎতগী হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৬৮ শিখ্রবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ফীভম য়েংশিল্লুন-বগীদমক হোম মিনিষ্টরনা হয়েং মফম অদুদা চৎকদবনি হায়রি।

কাশ্মীরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টরনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা হায়খিবনি মদুদি, কাশ্মীরি নহারোলশিংনা মখুৎতা লাইরিক, কোলোম অমদি কম্প্যুটর পায়বগী মহুৎতা নুঙ পায়রগা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা এটেক চথরকখিবগী থৌওং অসি কনাগুম্বা মীওই খরগী থৌইনশিননা থোকহনবনি। মীওই খরনা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা লাইরিক তমদুনা লৈগদবা নহারোলশিংবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরগা ঈরাং হৌহনবনি হায়না হোম মিনিষ্টরনা মরাল শীখি।

লক্ষ্ণৌ যুনিভর্সিটিদা ছত্রপটি শিবাজিগী মীতম অমা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরমদা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, করম্বা মমা-মপানা মচাশিংবু লাইরিক তম্বা তোকহল্লগা নুঙ পায়দুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা এটেক চথুগদবনি হায়না পাউতাক পীবা য়াওরমগদগে? করিসু খঙজদবা নহারোলশিংবু মীওই খরনা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরি।

শাহজহানপুরদা বি জে পিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা তিরঙ্গা যাত্রা হৌদোকপগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, য়ুমলোন্নবা পাকিস্তাননা করিসু খঙজদবা নহারোলশিংবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরগা কাশ্মীরদা ৱাথোক চাউথোকহন্নবা হোৎনবগী থৌওং য়ানিংদে। বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্সনা লৈবাক অসিগী ৱাথোক পুন্নমক লোইশিন্নবা হোৎনরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা স্বাছ ভারত মিসন পায়খৎতুনা লৈবাক্কী মফম পুন্নমক লু-নালহন্নবা হোৎনরি। মহাক্না হায়খি, প্রধান মন্ত্রি ক্রোপ ইন্স্যুরেন্স স্কিম, স্বাছ ভারত অমদি স্কিল দিভলপমেন্ট মিসননচিংবা সেন্টরগী স্কিম কয়া মায় পাকহন্নবা মীপুম খুদিংমক্না হোৎনফম থোকই।

# অমর সিংহ পার্টি থাদোক্লগনি হায়না কিহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩(এজেন্সী):

রাজ্য সভাগী মেম্বরসু ওইরিবা সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অমর সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, পার্টি মনুংদা লৈরিবা মীওই খরনা মহাকপু নাকন্দা ইন্থোক্তুনা থম্নবা হোৎনরে।

টেলিভিজনদা পীখিবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা সমাজৱাদি পার্টিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা মীওই অসিনা হায়খি মদুদি, মহাক্না চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ য়াদবতা টেলিফোন তৌরুবা মতমদা পাউখুম পীরকখিদে। মতৌ অসুম্না পার্টিগী লুচিংবা খরনা ইকায়বা পীবগী থৌওং তোয়না চথরকপা থোক্লবদি তঙাইফদনা পার্টিদগী তোকখিনবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই।

সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবশিংগী মরক্তা মতৌ অসুম্না মোত মান্নদবগী মওং উখোরকপা হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। মমাঙদা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী মিনিষ্টর শিবপাল য়াদব অমদি চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ য়াদবকী মরক্তা মোত মান্নদবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংখ্রবনি। লুচিংবা অনী কন্না মুক্নরকপদগী অরোইবা মীৎকুপ্তা পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা তাইশিন্নখি।

উত্তর প্রদেশতা নৌনা থোরক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা অমর সিংহনা হায়খি, পার্টিগী সিনিয়র লীদর অমবু উশিৎ থৌওইদবগী মওংদা নাকলদা ইন্থোক্তুনা থম্বা তারবদি পার্টি থাদোকপগা লোয়ননা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইবা ফাওবা তোকপা য়াই।

মুলায়ম সিংহ য়াদবকী মতমদা গভর্ণমেন্ট পায়বা য়াওরম্বা মীওই কয়া হৌজিকসু অদুমক মতিক ময়াই লৈরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, শিবপাল য়াদব অমদি বলরাম য়াদবকুম্বা পার্টিগী সিনিয়র লীদর কয়াবু ইকায়বা পীবগী থৌওং চথুখিবগা লোয়ননা পার্টিগী অতৈ অতোপ্পা সিনিয়র লীদরশিং নাকন্দা ইন্থোক্তুনা থল্লে। অমরোমদা, নরেশ অগরৱাল অমদি সুরেন্দ্র নগরগুম্বা পার্টিগী অনৌবা মীওইশিংবু মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নবা হোৎনরি।

পনবা য়াবদি, অখিলেশ য়াদব অমসুং শিবপাল য়াদবকী মরক্তা চাউনা মুক্নরকপদগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা নাকল অনী য়ানবা পুরকখিবনি।

মুলায়ম সিংহ য়াদবকা নক্নবা মীওই কয়া ইকায়বা পীবগী থৌওং লেপ্তুনা চথুরি হায়না মরাল শীরদুনা অমর সিংহনা হায়খি, মখা তানা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং লৌখৎলকপা তারবদি রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইবা তোক্লগনি। অথুবা মতমদা মুলায়ম সিংহ য়াদবকা উনদুনা পার্টি মনুংদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নরগনি।

রাজ্য সভাদা মহাকপু রিওটি রামন সিংহ অমদি বেনি প্রসাদ বর্মাগুম্বা পার্টিগী সিনিয়র লীদরশিংগা লোয়ননা মনিংদা ফমহনবগী মতাংদসু অমর সিংহনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মমাঙদসু পার্টিগী লুচিংবা খরগা মোত মান্নরক্তবদগী অমর সিংহনা কুমজা ২০১০ গী ফেব্রুৱারীদা পার্টি থাদোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১১দা রাষ্ট্রিয়া লোক মঞ্চ কৌবা অনৌবা পার্টি অমা শেমখিবনি। কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা য়ু পিগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা অনৌবা পার্টি অসিগী মীরেপ ৩৬০ থাগৎখি। অদুবু মায় পাকপা ঙমখিদে। কুমজা ২০১৪গী মার্চ থাদা মহাক্না রাষ্ট্রিয়া লোক দলদা য়াওখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা উত্তর প্রদেশকী ফটেহপুর সিক্রিদা পার্টি অসিগী টিকেটতা মীরেপ ওইখি। তুংদা মহাক সমাজৱাদি পার্টিদা অমুক হল্লক্লবা মতুংদা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা নোমিনেট তৌখিবনি।

# চহী ১০ খুদিংগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ষ্টেটস য়েংশিল্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩(এজেন্সী):

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অনৌবা কাঙলোন অমা শেমখিবগা লোয়ননা চহী ১০ খুদিংগী নেসনল অমদি ষ্টেটকী থাক্তা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ফীভম য়েংশিনগদৌরি।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ য়াম্না মায় পাকপা ঙমখিদবা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) অমদি নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি)গুম্বা পার্টি খরা নেসনল পার্টিগী ষ্টেটস মাঙবা য়াবগী ফীভমদা লৈরিবনি।

ইলেক্সন কম্মিসননা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, পার্টি অমবু নেসনল নৎত্রগা ষ্টেট পার্টি ওইনা শকখঙনবগী মতাংদা শেমখিবা ক্রাইটরিয়াদা অহোংবা লৈতে। অদুমওইনমক লোক সভা নৎত্রগা এসেমব্লিগী ইলেক্সন অনীরক পাঙথোক্লবা মতুংদা পার্টি খুদিংমক্কী ষ্টেটস নৌনা অমুক য়েংশিনবগী থৌরাং লৌখৎলগনি। হান্নদি মীখল অমা পাঙথোকপা লোইরবা মতুংদা পার্টিগী ষ্টেটস য়েংশিল্লম্বনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসননা ইলেক্সন সিম্বোল (রিজার্ভেসন এন্দ এলোটমেন্ট) ওর্দর, ১৯৬৮গী পেরাগ্রাফ ৬ সী শেমদোক্লে হায়রি। হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিদা ইলেক্সন কম্মিসননা শকখঙলবা নেসনল পার্টি ৬ লৈরি। হায়রিবা পার্টিশিং অদুদি, বি এস পি, বি জে পি, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস, এন সী পি, সী পি আই অমসুং সী পি আই-এমনি। মসি নৎতবা ষ্টেট পার্টি ৬৪সু ইলেক্সন কম্মিসননা রিকগ্নাইজ তৌরি।

ইলেক্সন কম্মিসননা শকখঙলবা নেসনল নৎত্রগা ষ্টেটকী থাক্তা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিগী সিম্বোলবু অতোপ্পা পার্টি অমনা শীজিন্নবা য়াদে। রেজিষ্টর তৌরবা অদুগা রিকগ্নাইজদি তৌদ্রিবা পার্টি ওইবা তারবদি ইলেক্সন কম্মিসননা মতাং মতমগী মতুংইন্না পীরকপা ইলেক্সন সিম্বোলশিংগী মরক্তগী অপাম্বা অমা খনবা মথৌ তাই।

পোলিটিকেল পার্টি অমবু নেসনল পার্টি অমা ওইনা রিকগ্নাইজ তৌনবগীদমক তঙাইফদনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অহুমদগী সীট চাদা ২ ফংবা মথৌ তাই নৎত্রগনা ষ্টেট মরিদা অপূনবা ভোট মশীংগী চাদা ৬ ফংবা মথৌ তাই। য়ামদ্রবদা লোক সভাগী সীট মরি ফংবগা লোয়ননা ষ্টেট মরিদা ষ্টেট পার্টি ওইনা রিকগ্নাইজ তৌবসু মথৌ তাই হায়রি।

মমাঙদা ইলেক্সন কম্মিসননা চহী ৫ খুদিংগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ষ্টেটস য়েংশিনবগা লোয়ননা পার্টি অমবু নেসনল নৎত্রগা ষ্টেট পার্টিনি হায়না লেপ্পগী থৌরাং লৌখৎলম্বনি। হন্দক নৌনা শেমদোক্লবা কাঙলোন অসিগী মতুংইন্না চহী ১০ খুদিংগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ষ্টেটস য়েংশিল্লগনি হায়রি।

# ইঞ্জিনীয়ারিংগী মিং চন্নবগী মতাংদা এন এ টি শেমগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩(এজেন্সী):

হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা অথুবা মতমদা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি) মেম্বরশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা নেসনল ওথোরিটি ফোর টেষ্টিং (এন এ টি) শেম্বগী মতাংদা খন্নগদৌরি।

এন এ টিনা আই আই টি অমদি লৈবাক অসিগী অতৈ মকোক থোংবা ইঞ্জিনীয়ারিং ইন্সটিট্যুটশিংদা মিং চন্নবগী মতাংদা চাংয়েং পাঙথোক্কনি হায়রি। মমাঙদা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎখিবা থৌরাং অমগী মখাদা মহৈরোয়শিংনা এন এ টিগী চাংয়েংদা ফংবা মার্কতা য়ুম্ফম ওইরগা জোইন্ট এন্ট্রান্স ইগজামিনেসন (জে ঈ ঈ)গী লিষ্ট শেমখিবনি। আই আই টিশিংদা মিং চনবগী মতাংদা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না কম্মিটি অমনা হন্দক্তা রেকমেন্দ তৌখ্রবা মতুংদা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা এন এ টি শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। রেকমেন্দেসন অদুগী মতুংইন্না এন এ টিনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ইঞ্জিনীয়ারিং কোলেজশিংদা মিং চনগদবা মহৈরোয় লাখ ৪ রোম খনবগী থৌদাং লৌরগনি হায়রি। হায়রিবা মহৈরোয়শিং অদুগী মরক্তগী মকোক থোংবা মহৈরোয় ৪০,০০০ খনগৎলগা আই আই টি অমসুং এন আই টিশিংদা মিং চলহনগনি হায়রি।

অশোক মিশ্রানা লুচিংবা কম্মিটি ওফ ইমিনেন্ট পার্সন্স (সী ঈ পি) গী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ইঞ্জিনীয়ারিং কোলেজশিংদা মিং চনগদবা মহৈরোয়শিংগী অপূনবা এন্ট্রান্স ইগজাম অমা পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

মমাঙ চহীগী নবেম্বর ৫দা কম্মিটিনা গভর্ণমেন্টতা পীশিনখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না অপূনবা এন্ট্রান্স ইগজামদগী মকোক থোংবা মহৈরোয়শিং খনগৎলগা মশা-মশাগী অপাম্বা মতুংইন্না আই আই টি অমসুং এন আই টিশিংদা মিং চলহনগনি। মদুগী মতুংদা অতৈ অতোপ্পা ইঞ্জিনীয়ারিং কোলেজশিংদা মিং চলহনগনি হায়রি। পনবা য়াবদি, জোইন্ট এদমিসন বোর্দনা আই আই টিশিংদা নুপী মহৈরোয় মশীং য়াম্না মিং চলহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

# ‘ইন্দিয়াগী খুৎ য়াওখিবা লৈতে’

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩(এজেন্সী):

নেপালগী গভর্ণমেন্ট ইন্থুবা নৎত্রগা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগী মতাংদা ইন্দিয়ানা খুৎ থিংজিনবা লৈতে হায়না ন্যু দিল্লিনা ফোঙদোকখ্রে।

নেপালদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ওইরিবা রঞ্জিৎ রাইনা হায়খি, য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক থৌরমশিং লৌখৎমিন্নবা পাম্মী। ঙসি ফাওবা ন্যু দিল্লিনা নেপালগী থবক থৌরমশিংদা খুৎ থিংজিনখিবা লৈত্রি। য়ুমলোন্নবা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্ট ইন্থুংবা নৎত্রগা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা খুৎ থিংজিনখিবা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫গী এপ্রিলদা থোকখিবা অকনবা যুহা হাবগী থৌদোক্তা অমাঙ-অতা থোক্লবা নেপালবু হান্নগী মওংদা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা মরু ওইবা থৌদাং লৌগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়াদা কোয়রকখিবা নেপালগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর বিমলেন্দ্র নীধিগা উনদুনা ৱারী শানবদা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, যুহা হাবদা অমাঙ-অতা থোক্লবা নেপালবু হান্নগী মওংদা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা মরু ওইবা থৌদাং লৌগনি।

য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা হান্নদগী হৌনা অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, নেপালনা অৱাবা তারবা মতমদা ইন্দিয়ানা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। লৈবাক অনীগী মরক্তা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা হীরম খুদিংমক্তা চাউখৎমিন্ননবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নেপালদা হৌজিক-হৌজিক পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নীধিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মরিক চুম্বা পাউদম পীখি। তুংদা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর নীধিনা এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমদি প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীগসু উনদুনা ৱারী শানখি।

নেপালদা মাওইষ্টনা লুচিংবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেল্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমনা ইন্দিয়াদা লাকপা নীধিনা অহানবনি।

নীধিনা হায়খি, নেপালগী প্রসিদেন্ট বিদ্যা দেবী ভন্ধারিগী য়াথং মতুংইন্না ইন্দিয়াগা অচেৎপা মরী থম্নবগী পান্দমদা লৈবাক অসিদা লাকখিবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF MINORITIES AND OTHER BACKWARD CLASSES
1ST FLOOR, SOUTH BLOCK, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, IMPHAL: MANIPUR

## NOTIFICATION

Imphal, the 20th August, 2016

No.A/1/2016- MOBC (NSP): In pursuance of Ministry of Minority Affairs, Government of India's e-mail dated 19/08/2016 and in continuation of this Directorate's Notification of even number dated 10/08/2016, it is hereby informed to all concerned that timeline for submission of online applications under Minority Pre-Matric and Minority Post-Matric scholarships for the year, 2016-17 under the National Scholarship Portal (NSP 2.0) has been extended as detailed below. Website for filing up of Online Application is www.scholarships.gov.in A link to this site is also available in the website of the Ministry i.e. www.minorityaffairs.gov.in

I. Pre-Matric Scholarship Scheme (Both Fresh & Renewal):

| Sl. No. | Activities | Date |
|---|---|---|
| 1. | Submission of online Applications by students | Up to 30th September, 2016. |

II. Post-Matric Scholarship Scheme (Both Fresh & Renewal):

| Sl. No. | Activities | Date (Fresh) | Date (Renewal) |
|---|---|---|---|
| 1. | Submission of Online Applications by students for *classes XI and XII.* | Up to 30th September, 2016. | |

2. The following points are to be noted while applying Minority scholarships, 2016-17 under NSP 2.0:

i) Student will register at NSP Portal to get the Login Credentials and fill-up the entry form by entering complete details to get the Registration ID. Renewal student need not register again;
ii) **Aadhaar number is mandatory from the Academic Session 2016-2017 onwards;**
iii) For School Education scholarships, the application form may be filled in by students themselves or by the Head of Institutions while for Higher Education scholarships, filling of application entirely be handled by the students themselves;
iv) Heads of Institutions are to ensure seeding of Aadhaar and bank accounts by the students of their respective institutions in the application forms. In case of non-availability of Aadhaar by a large section of students, efforts are to be made by the institutions to organize Aadhaar enrolment camps and/or encourage the students to get enrolled for Aadhaar. Deputy Commissioners are to play a pivotal role in Aadhaar enrolment campaign which is to be taken up in mission mode. The details of Aadhaar enrolment centres are available in the resident portal of UIDAI (http://resident.uidai.net.in);
v) Records filled in by the students will automatically appear under the login of respective institutions. Institutions shall enter the portal with their login credentials in order to examine the beneficiary details and shall validate, authorize and approve the student records using their **Digital Signature** and submit the validated data at the NSP Portal. Institutions are to take immediate action to procure Digital Signature if not already done and State Education Departments/Labour & Employment Department are to take up issuance of Digital Signature to all concerned in mission mode.
vi) Nodal Officer of the respective institutions will be solely responsible to enter the accurate DIAS/HIAS Code of the institution and all courses, programs, etc. offered by them. This will help the beneficiary student to select his/her institution in a single click at the NSP Portal;
vii) Once the student data is approved by the respective institutions, the data will automatically move to State Education Department (S + U) and State Labour & Employment Department (for Manipur State). Concerned departments through their Login Credentials can view the entire data and validate. In case of any discrepancy in data, State Departments should either call the concerned institutions to correct the data or may reject the same;
viii) Supporting documents for scholarships amount less than Rs. 50,000/- (Rupees Fifty thousand only) to be kept at institution level and for scholarships amount more than Rs. 50,000/- are to be uploaded on the NSP;
ix) **Verifications shall be effected at three levels for Manipur State viz., Institution, Education/Labour Department and MOBC Department (SND);**
- **For Class -1 to Class -12:** data approval and authentication by State Education Department (Schools);
- **ITIs or Vocational Training Centres:** data approval and authentication by State Technical Education Department/Labour & Employment Department;
- **Higher Education related to Universities, Degree Colleges, Engineering Colleges, Medical Colleges:** data approval and authentication by State Education Department (U)/ Technical Education Department as the case may be;

x) Validation and authentication process be completed by the respective institutions within a period of 30 days. Within this period respective institutions will get the corrected information (if incomplete or erroneous) and approve the same. It is mandatory to consider all beneficiaries;
xi) Validation and authentication process be completed by the State Education Department (S/U/Tech.) and State Labour & Employment Department as the case may be within a period of 15 days. Within this period respective departments will get the corrected information (if incomplete or erroneous) and approve the same. It is mandatory to consider all beneficiaries;

3. For further details, please contact Scheme Officer and Nodal Officer/MOBC, Manipur during office hours and also at Enquiring mail: mobc-scholarships@googlegroups.com

Sd/-
(Kh. Dineshchandra Singh)
Director/MOBC, Manipur

HL-B/3275/24

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal

CONGRATULATES
Our Successful Students in NEET - 2016

1st Rank OBC

Miranda Mongbijam
D/o M. Iboyaima Singh
Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai

Fresher 77th State Rank

Alvin Khangembam
S/o Priyojit KH.
Singjamei Wangma Kshetri Leikai

9th Rank OBC

Wangkhem Jolyson
S/o (L) W. Jilachandra
Kwakeithel Mayaikoibi

9th Rank ST

Chaltung Totoni Anal
D/o Ch. Rungam Anal
Hnahringkhu Village, Chandel

13th Rank

RK. Parihanba
S/o RK. Sanajaoba
Thangmeiband Lourung Purel

14th Rank

Rema Naorem
D/o. N. Sanatomba
Sagolband Amudon Akham Leikai

32nd Rank

Miranda Asem
D/o. Indrajit Asem
Wangkhei Konsam Leikai

49th Rank

Jayaluxmee Oinam
D/o. O. Gojendro Singh
Khagempalli

From
Teaching and Non-teaching staff

We nourish your future

HL-B/3279/24

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF MINORITIES AND OTHER BACKWARD CLASSES
1ST FLOOR, SOUTH BLOCK, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, IMPHAL: MANIPUR

## NOTIFICATION

Imphal, the 10th August, 2016

No. A/1/2016- MOBC (NSP)/341: In pursuance of Ministry of Minority Affairs, Government of India's letter F. No. 9-4/2016-6S dated 14/07/2016 and 21/07/2016 and State Government approval vide letter No. 12/3/2015-MOBC(Pt-II)/412 dated 03/08/2016, it is hereby informed to all concerned that timeline for submission of online applications under Minority Pre-Matric; Minority Post-Matric and Minority Merit-cum-Means scholarships for the year, 2016-17 under the National Scholarship Portal (NSP) has been notified as detailed below. Website for filing up of Online Application is www.scholarships.gov.in A link to this site is also available in the website of the Ministry i.e. www.minorityaffairs.gov.in

IV. Pre-Matric Scholarship Scheme (Both Fresh & Renewal):

| Sl. No. | Activities | Date |
|---|---|---|
| 1. | Submission of online Applications by students | Up to 31st August, 2016. |

V. Post-Matric Scholarship Scheme (Both Fresh & Renewal):

| Sl. No. | Activities | Date (Fresh) | Date (Renewal) |
|---|---|---|---|
| 1. | Submission of Online Applications by students for *classes XI and XII.* | Up to 31st August, 2016. | |
| 2. | Submission of Online Applications by students for *ITIs, Diploma, B.Ed., M. Phil and Ph. D. etc.* | Up to 31st October, 2016. | |

VI. Merit-cum Means based Scholarship Scheme (Both Fresh & Renewal):

| Sl. No. | Activities | Date (Fresh) | Date (Renewal) |
|---|---|---|---|
| 1. | Submission of Online Applications by students | Up to 31st October, 2016. | |

2. Students are informed that **submission of Aadhaar is mandatory**. They are also directed to refer to the Frequently Asked Questions (FAQs) available on the NSP website for filling up of Online Application.

3. For further details, please contact Scheme Officer and Nodal Officer/MOBC, Manipur during office hours and also at Enquiring mail: mobc-scholarships@googlegroups.com

Sd/-
(Kh. Dineshchandra Singh)
Director/MOBC, Manipur

HL-B/3276/24